সেনা য়ুথ ট্রষ্ট অমসুং সেনা এথলেট ওর্গনাইজেসন্না ককচিং ৱাইরি সেনাপতি লৈকায়দা লৈবা নোংমগী চরা তান্দুনা চাজবা ইমুং ৪০ অমদি কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুংশিংদা মনা-মশিং য়াওনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখিবা

জোইন্ট ফোরেষ্ট মেনেজমেন্ট কম্মিটি ইরোইশেম্বনা কোভিদনা শোকহল্লবা অমদি অৱা-অনা তারবা ইরোইশেম্বদা লৈবা ইমুংশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙ ওইনা খুৎশিন্নখিবা

নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা মফমশিংদা লৈরিবা ইমুংশিংদা অপনা দল (এস) কী ষ্টেট প্রসিদেন্ট কে মনোরঞ্জননা তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েম্থোকখিবা

সেকমাই এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী এম এল এ ঐচ দিঙ্গোনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ থেংনবদা মতেং ওইননবা এ সী অসিগী মনুংদা লৈবা খনগৎলবা আশা ৱর্করশিংদা ওক্সিমিটরশিং খুৎশিন্নখিবা

ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টতা নন-টেক্নিকেল ওফিসরনা দিরেক্টরগী চার্জ পুহল্লগা থম্ববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লগনি : য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচএনএস):

মণিপুর লৈঙাক্কী ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টতা নন-টেক্নিকেল ওফিসরনা দিরেক্টরগী চার্জ পুহল্লগা থম্ববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ওল মণিপুর ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি ফিল্ড এসিষ্টেন্ট ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়ন্না ফোঙদোরক্লি।

হীরমসিগা মরী লৈননা ওল মণিপুর ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি ফিল্ড এসিষ্টেন্ট ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি সী ঐচ অশোকুমারনা ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রিগী মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখিবগা লোয়ননা মণিপুর ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি সর্ভিস রুলস ১৯৯৪গী মতুংইন্না মতিক চাবা প্রোফেসনল ওফিসর অমবু দিরেক্টর ওইনা হাপ্পীয়ু হায়নসু তকশিনখ্রে। ৱাকৎ চেরোল অদুগী কোপীশিং মণিপুরগী গভর্ণর, চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিশিং অমসুং চীফ সেক্রেটরিদসু পীশিনখ্রে হায়রি।

ৱাকৎ চেরোল পীশিনখিবা অদুগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্ট অসি টেক্নিকেল দিপার্টমেন্ট অমনি। দিপার্টমেন্ট অসিগী দিরেক্টরগী ফম অসি প্রোফেসনল গ্রেজ্যুএট ওফিসর ওইদুনা ইন্দিয়ন ভেটিরিনরি কাউন্সীল এক্ট ১৯৮৪গী মখাদা মণিপুর ষ্টেট ভেটিরিনরি কাউন্সীলদা রেজিষ্টর তৌরবা ওফিসর অমদা পুহনফম থোকপনি। দিপার্টমেন্ট অসিদা দিরেক্টর ওইবা য়াবা মতিক চাবা ফিদর গ্রেদতা প্রোফেসনল রেগুলর ওফিসর হায়বদি জোইন্ট দিরেক্টর-এম ভি এস- গ্রেদ টুগী ওফিসর কয়া লৈনা লৈনা রেগুলর দিরেক্টর হাপ্তুনা লৈরি। মমাঙদা দিরেক্টর ওইরম্বা অদুনা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ২৮দা থবক্তগী পোথাখ্রবা মতুংদা রেগুলর দিরেক্টর হাপ্তুনা ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজ বেন্দ্রিগী কম্মিস্নারবু ঙসি ফাওবা দিরেক্টরগী চার্জ পুহন্দুনা থম্বা অসি লাইবক থীবনি।

ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি দিপার্টমেন্টতা ওফিসর ওইরিবশিং অসি মণিপুর ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি সর্ভিস রুল ১৯৯৪গী ওর্গনাইজ সর্ভিস কেটগোরিগী মখাদনি। ভেটিরিনরি দিরেক্টর (এম ভি এস) গ্রেদ ৱানগী ফম অসি পোষ্ট গ্রেজ্যুএট দিগ্রী নৎত্রগা ভেটিরিনরি সাইন্সতা দিপ্লোমা ওইবা জোইন্ট দিরেক্টরগী ফম পুরক্লবা অমা ওইগদবনি হায়না মণিপুর ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি সর্ভিস রুলস ১৯৯৪দা নীংথিনা পল্লি। অদুবু চহী অসিগী মার্চ ১১দগী ঙসি ফাওবা নন-টেক্নিকেল ওফিসর অমদা দিপার্টমেন্ট অসিগী দিরেক্টরগী চার্জ পুহন্দুনা থম্বা অসিদি লৈঙাক্কী অরানবা থৌশিল অমনি। মসি সর্ভিস রুলনা য়াদবনি। মমাংঙৈদা রেগুলর জোইন্ট দিরেক্টর লৈত্রিঙৈদা দেপ্যুটি দিরেক্টরনা ফাওবা ভেটিরিনরি সাইন্সকী টেক্নিকেল ওইবা অমসুং প্রোফেসনল ইথিক্স অদু ঙাক্লা দিরেক্টরগী চার্জ অদুমক পুহল্লম্মী। অদুবু হৌজিক দিপার্টমেন্ট অসিদা মতিক চাবা রেগুলর জোইন্ট দিরেক্টর লৈনা লৈনা টেক্নিকেল ওইবা দিপার্টমেন্ট অসিদা নন-টেক্নিকেল ওফিসর অমনা দিরেক্টরগী চার্জ মতম শাংনা পুহন্দুনা থম্বা অসি ইমপ্লোয়ীশিংনা য়ানিংদে। মসিনা দিপার্টমেন্টকী ওইবা থবক থৌরমশিং নীংথিনা পাঙথোকপদা অপনবা ওইহল্লে। থৌওং অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা দিপার্টমেন্ট অসিগী লৈরিবা সর্ভিস রুল ঙাক্লা মতিক চাবা অমবু দিরেক্টর ওইনা অথুবদা হাপত্রবদি ওফিসকী থবক থৌরম পুম্নমক লেপ্তুনা খোঙজং চথরগনি হায়না মণিপুর ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি ফিল্ড এসিষ্টেন্ট ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়নগী চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

১৩০শুবা পুখ্রম্বা কাজাউ নীংশিং কুমওন থৌরম কাংমোংদা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচএনএস):

কুমজা ১৮৯১গী মে ২৪গী অয়ুক অঙনবদা কংলাগী নোংচুপ থংবা সনথোংদা পুখ্রম্বা কাজাউ (ফিঙাং)বু মতমদুগী লোয়লম মপু বৃটিশনা মঙক্তা থৌরী কোঙ্গোয় হুত্তুনা পুন্সি পীখম্নহনখিবা নুমীৎ অদু ঙসি পুখ্রম্বা কাজাউ মেমোরিএল ট্রষ্টনা শীন্দুনা কাংমোং মৈস্নাম লৈকায়দা লৈরিবা অথৌবা অসিগী খুভমদা কোভিদকী এস ও পি ঙাক্লা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ১৩০ শুবা পুখ্রম্বা কাজাউ নীংশিং কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না পুখ্রম্বা কাজাউ মেমোরিএল ট্রষ্টকী জেনরেল সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, অথৌবা অসিগী মীতমদা ট্রষ্টকী প্রসিদেন্ট লাইরেঞ্জম পীশক লুৱাংনা লুচিংদুনা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। ট্রষ্ট জেনরেল সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাং য়াওনা অথৌবা অসিগী মফমদা মিনিট মঙা সাইলেন খোংবগা লোয়ননা সলামি পীখি।

হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী থৌরম অদু অথৌবা অসিবু থৌরী য়ানখিবা পুংজা অয়ুক্কী পুং ৭ তাবা কাংমোং লৈমখোং অমসুং এল এল আই কেনেল অনীগী মনাক্তা লৈরিবা অথৌবগী মোংফমলেনদা য়ুংবা খুভমদা অহানবদা পাঙথোকখি। মথংদা অথৌবা অসিগী মীতম লৈরিবা কাজাউ লম্পাক্তা মীয়াম্না হৈকৎ লৈকৎ তমখি।

হৈকৎ লৈকৎ তম্লবা মতুংদা ট্রষ্টকী জেনরেল সেক্রেটরিনা হায়খি, কোরোনা ভাইরসনা পাক শন্না শন্দোরক্তুনা কাংমোংদসু অমা লৈখিদ্রে। পোজিটিভ ওইবা ২০গী মথক্তা লৈরে। মরম অদুনা ১২৯ অমসুং ১৩০ শুবা কাজাউগী থৌরম অসি পীক্লা পাঙথোকখিবদা পেঞ্জদবা লৈ। অদুবু পেন্দমিক অসিনা মরম ওইদুনা মীওই খরখক্লা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। কাংমোং অমদি মণিপুরদা লৈবা পুখ্রম্ববু মালেমগী পুৱারীদা থমহৌবা পামজবশিংনা ট্রষ্ট অসি শেমদুনা অচৌবা মীতম অমা খিন্দুনা মীয়াম্না খরা খরদি খঙনরে। অদুবু পুখ্রম্বগীদমক লৈঙাক্লা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু খন্নহন্নিংই। ইন্দিয়াগী ময়োল লমদমদা অথৌবা অসি পোকপা ওইরম্লবদি লৈবাক পুমজাও থিল্লমগনি। অদুবু হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক্লা পুখ্রম্বগী মিংদা পুখ্রম্বা কাজাউ রোদ থোনখ্রে। মখা তানা কাংমোংদা ম্যুজিয়ম অমা লিংবীদুনা এংলো মণিপুরী ৱারদা পুখ্রম্বগী মফম কয়ামুক চাউবগে হায়বদু উৎপা তঙাইফদে। লোয়ননা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা ম্যুজিয়ম অমদি লাইব্রেরীশিংদা পুখ্রম্বগী ফোটোশিং অমদি ৱারীশিংগী দোক্যুমেন্টশিং থম্বীনবা মণিপুর লৈঙাক্লা থৌদাং লৌবীয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

টেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচএনএস):

য়ুথস কলচরেল এন্দ ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন (ৱাই সী দব্লিয়ু ও) হৈনৌপোক অমদি কোভিদ-১৯ এক্সন কম্মিটি হৈনৌপোক্কা খুৎশম্নদুনা সী এম ওগী খুথাংদা অনীশুবা ফেজগী ওইনা কোভিদ টেষ্ট তৌবগী থৌরম অমা হৈনৌপোক কম্যুনিটি হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। পুন্না মীওই ১০৬ টেষ্ট তৌবদা ২৯ পোজিটিভ ওইখি। পোজিটিভ ওইরবশিং অসি লাংজিং মখা লৈকায়দগী ২ অমসুং হৈনৌপোক্তগী ২৭ নি হায়না ৱাই সী দব্লিয়ু ওগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টরগী ফীভম য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স ৱার্দ নম্বর ৯ কৈশামথোং এ সীনা কোভিদ থেংননবা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংগা মরী লৈননা কৈশামথোং এ সীগী ওইনা ইম্ফাল কোলেজদা হাংলিবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর (সী ঐচ আই সী)গী ফীভম য়েংশিনখ্রে হায়না কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স ৱার্দ নম্বর ৯ কৈশামথোং এ সীগী চ্যেরমেন ঐচ শ্যামকহ্নাইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, সী ঐচ আই সী অসিগী ফীভম য়েংশিনবগা লোয়ননা সেন্টর অসিদা লৈরিবা ইনমেটশিংদা থক্লবা ঈশিং ভলনি টয়রশিংগী খুথাংদা পীরমখি। লোয়ননা কৈশামথোং এ সীগী ৱার্দ নম্বর ৯গী মনুংদা লৈবা কোভিদনা শোকহল্লবা ইমুংশিংদসু চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েম্থোকখ্রে। হৌজিক ফাওবদা টাস্ক ফোর্স অসিনা মীয়ামদা পাংলিবা মতেংশিং অসি রাজ্য সভাগী এম পি নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা অমদি টাস্ক ফোর্সপু পূক্নিং থৌগৎপীবা মীওইশিংনা পাংলকপা মতেংদগী পাঙথোকপনি। চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি ৱার্দ অসিদগী লায়না-লাইচৎ অসি ঙাকথোক্ত্রিবা ফাওবা কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স ৱার্দ নম্বর ৯না খোঙজং মখা তানা চথখিগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

চলৌ খুলগী অকোইবদা সোদিয়ম হাইপোক্লোরাইট কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচএনএস):

মালেম পূম্বদা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভতগী ঙাকথোক্লবা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাং ওইনা ঙসি চলৌ ক্লব অমদি লম্লাই মপারি থৌগল লুপকা খূৎশম্নদুনা খুল অসিগী অকোইবদা সোদিয়ম হাইপোক্লোরাইট কাপথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা লম্লাই মপারি থৌগল লুপকী সেক্রেটরি এল বোবিসনানা হায়খিবদা মালেম পূম্বদা অকিবা ফংনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিগী অৱাবা চৈথেং মীওই খূদিংমক্তা মায়োক্লরি। চলৌ খুলদসু পোজিটিভ ওইবা মীওই য়াওরকপদগী য়ূম খরসু কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোক্তুনা লৈরি।

লম্লাই মপারি থৌগল লুপ্না মায়কৈ অসোমগী মীয়ামগীদমক মতম মতমগী ওইনা য়াইফ থৌরাংশিং পায়খৎতুনা লাক্লি। চলৌ ক্লবনা হায়জবদগী সোদিয়ম হাইপোক্লোরাইট ঙসি পূন্না চলৌগী অকোয়বদা কোভিদ-১৯দগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী শরুক অমা ওইনা হীদাক অসি কাপথোকপনি হায়খি। মীয়াম্না কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পি ঙাক্লা চৎমিন্নসি অমদি লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা মতম চানা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপথোকমিন্নসি হায়খি।

‘অরানবা মওংদা লম লৌশিন্নবা হোৎনরকপা য়ানিংদে’

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচএনএস):

হৌজিক হৌজিক ইম্ফাল-মোরে লম্বী নেসনল হায়ৱে ১০২ পাকথোক্লিবা অসিগী ৱাংজিংগী ৱাইকে কোলেজ মনাক্তগীনা উনিংখোং ফাওবগী মরক্কী লৌফমশিংগী পাট্টাদারশিংগী পীফম থোকপা ক্ষেত্রিপুরোন পীথোকপীদনা হুরান-লোন্নাদা লম লৌশিন্নবা হোৎনরক্লে, হীরম অসিদা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না ঙসি লম শোক্লবা পাট্টাদারশিংনা ওনলাইনদা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

লৌফম শোক্লবা পাট্টাদার ৯গী মহুৎ শীল্লগা ৱাংজিংদগী য়ুম্নাম সচিকৌবী পাট্টাদার অমনা হায়, লম্বী পাকথোকপগী মতাংদা এস দি সী খোংজোম, এস দি ও থৌবাল, এন ঐচ আই দি সী এল অমদি জি আর- ইনফ্রা য়াওনা জোইন্ট সর্ভে কয়ারক তৌখ্রে। অদুবু ৱাংজিং অমদি লমদিং লৌকোলদা নেসনল হায়ৱে ১০২ ইম্ফাল মোরে লম্বী পাঙথোকপগী ৱার্ক এজেন্সী ওইরিবা এন ঐচ আই দি সী এল অমদি জি আর-ইনফ্রা লিমিটেদনা হুরানবগী মওংদা পাট্টাদারশিংগী অয়াবা য়াওদনা অমদি মরী লৈনবা কম্পেন্সেসনগী শেনফম পীথোক্তনা অহিং নোংয়াইদা পুকচাক ওইনরিবা লৌফমদা লৈবাক হৈজিনবা অমদি নুঙ পৈশিন্দুনা লম খোপচিন্নবা হোৎনরক্লিবা অসি অঙকপা ফাওই। মখোয়গী থৌওং অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা মীৎয়েং চঙবীদুনা পাট্টাদারশিংগা য়ানবা অমা পুরক্লবা শীনবীয়ু। পাট্টাদারশিংনা লম্বী পাকথোকপদা অয়েৎপা অথিংবা পীবা নৎচদে। লম্বী পাকথোকপা অসি ঐখোয়সু পামজৈ, মপুং ফানা শৌগৎলি। অদুবু হুরান-লান্নাদা পাট্টাদারশিংগী ফংফম থোক্লিবা ক্ষেত্রিপুরোন হান্না পীথোকপীদনা লম লৌশিনবদি য়াবা ঙম্লোই। পাট্টাদারশিংগী অপাম্বগী ওন্ন-তৈনবদা পুকচাক ওইনরিবা লৌফমবু নমদুনা লৌশিন্নবা হোৎনরক্লবদি মদুদা থোক্লকপা অফ-ফত্তা খূদিংমক এন ঐচ আই দি সী এল অমদি জি আর- ইনফ্রানা পুগদবনি হায়খি।

কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র থৌবালনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচএনএস):

দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দিরেক্টর ওইরম্বগা লোয়ননা দিপার্টমেন্ট অসিগী মখাদা লৈবা অমত্তা ঙাইরবা কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র অমা ওইরিবা কে ভি কে থৌবালবু শাফোঙবদা অচৌবা থৌদাং য়াবীরম্বা অমদি কে ভি কে থৌবালনা অতোপ্পা কে ভি কেশিংদগী হেন্না মশক থোক্লা থবক থৌরম কয়া পাঙথোকপদা চৈঙাক পীবীরম্বা ইম্ফাল ইষ্টকী তোপ খোংনাংখোংদগী ময়াংলম্বম ইবোচৌবনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা কে ভি কে থৌবালগী ষ্টাফশিংনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র থৌবালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লৌউ-শিংউবগী হেনগৎনা পুথোক্লবা হোৎনবনা মপুং ওইবা থৌদাং ওইখ্রবা, শুরি-নোংলিবা লৌমী মীয়ামগী য়াইফনবা খনবনা পুন্সিগী লাইনিং ওইখ্রবা অসিনা লৈরাংগী লৈনম ওইনা মপুগী লৈকোলদা তীনখ্রবা থৱায় অদুবু তেক্ত-কায়দনা লৈকোলগী লৈচল অমা ওইহনবীননবা মপুগী মফমদা কে ভি কে থৌবালগী ষ্টাফশিংনা থৌনিজবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

আশা ৱর্করশিংদা ওক্সিমিটর খূৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচএনএস):

সেকমাই এ সীগী এম এল এ ঐচ দিঙ্গোনা এ/সী অসিগী মনুংদা লৈবা খনগৎলবা আশা ৱর্করশিংদা ওক্সিমিটরশিং খূৎশিন্নখ্রে।

ঙসি ওক্সিমিটর খূৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা এম এল এ দিঙ্গোনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক্কী মতম অসিদা আশা ৱর্করশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিং থাগৎপা ফোঙদোকখি।

আশা ৱর্করশিংনা অনাবগী য়ূমদা চত্তুনা মরী লৈনবা হীদাক-লাংথক থিনবীবা অমদি অনাবশিংগী হকচাংগী ফিভম কূপ্না মোনিটর তৌদুনা য়েংবীরি। মসিগীদমক্তা পি ঐচ সীশিংগী দোক্টর অমদি আশাশিংবু পূক্নিং থৌগৎখি।

চান-থক্লবা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচএনএস):

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা লৈঙাক্লা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা মফম কয়াদা কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকপসু লেপত্রি।

নৌনা কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী মফমশিংদা অপানা দল (এস)কী ষ্টেট প্রসিদেন্টসু ওইরিবা মমাঙগী এসেম্ব্লী মীখলদসু মীরেপ ওইখিবা কোন্থৌজম মনোরঞ্জননা ঙসি তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েম্থোকপা লেপ্তুনা চথরি। ঙসিসু মোংশাঙ্গৈ অমদি কোঞ্জেং লৈকায়গী কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা লৈবা ইমুংশিংদা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং য়েম্থোকখ্রে।

‘জোব কার্দ হোল্ডরশিংদা খুৎশুমল পীবীদ্রে’

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচএনএস):

লিলোং সী দি ব্লোক্কী মখাদা লৈবা খেকমন জি পিগী জোব কার্দ হোল্ডরশিংগী খুৎশুমল চৎলিবা চহী অসিগী জন্যুৱারী ২০ অমসুং মার্চ ২০দা নুমীৎ ৭/৭নিগী কায়থোকখ্রগা জোব কার্দ হোল্ডরশিংদা ঙসি ফাওবদা খুৎশুমল অমত্তা পীবীদ্রে। লোয়ননা মে ১৮দা নুমীৎ ৪নিগী খুৎশুমল লাকখ্রবসু ঙসি ফাওবা পীবীদ্রে। মরম অসিনা আর দি এন্দ পি আরনা মীৎয়েং চঙবীনবা পূক্নিং চিংশিঞ্জরি। মমাঙদসু মার্চ ২৬তা জোব কার্দ হোল্ডরশিংগী খুৎশুমল পীবীদ্রে হায়না ৱাকৎ চৎখ্রবনি হায়নসু খেকমন ৱাংমাতাবা মখা লৈকায় গাইদ ক্লব, থৌবালগী চ্যেরমেন অসেম ব্রোজেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অরিবা বোম অমা পোকখায়হনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচএনএস):

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা, খোংজোম পুলিস ষ্টেসনন্না কোনবা লাঙথেল মোইৱাং লৈকায় চীংখোংদা পোৎচৈ থানবা লৈবাক তৌখায়বদা সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱার মতমদা শীজিন্নরম্বা লফু থরো মানবা অরিবা বোম অমা ঙরাং অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা খুঞ্জাশিংনা থেংনরকপদগী পুলিস ষ্টেসন খোংজোমদা পাউ পীরকখি। মফম অদুদা খোংজোম পুলিস অমদি পুলিসকী বোম দিস্পোজেল স্কৱাদ কাঙবুলাক্তুনা বোম অদু অশোয়-অঙাম য়াওদনা লৌখৎলবামতুংদা মনাক অদুদা লৈবা লৌবুক্তা পুরগা নুংথিল পুং ৩.১২ তাবদা পোকখায়হনখ্রে হায়রি।

এ আরনা লালহৌবগী মোবাইল কেম্প মৈ থাখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচএনএস):

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বাটোং খুলগী উমংদা লালহৌবা লুপ অমনা লোত্তুনা থম্লম্বা এ কে রাইফল অমদি লেথোদ লোঞ্চর য়াওনা নোংমৈ মঙা ফংলে। লোয়ননা লালহৌবশিংগী লৈরম্বা মোবাইল কেম্পসু মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে।

অসাম রাইফলসনা বাটোং খুলগী উমংদা চথখিবা ওপরেসন অদুনা লালহৌবশিংনা লোত্তুনা থম্লম্বা এ কে রাইফল অমা, নাইন এম এমগী ষ্টেন্দ কর্বাইন অনী, পোইন্ট ২২গী পিষ্টোল অমা, লেথোদ লোঞ্চর অমা য়াওনা ফাগৎখ্রে। লালহৌবশিং অদুনা লেক-চাদুনা লৈরম্বা মোবাইল কেম্প অদুসু মৈ থাখ্রে হায়রি।

মীওই ২৩৭ দিটেন তৌদুনা লুপা ৭৮,১০০ ফাইন ওইনা খোমগৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচএনএস):

ষ্টেট অসিদা হৌজিক কোভিদ সেকেন্দ ৱেভকী লাঞ্জং অসি কনখৎলকপগা লোয়ননা লায়না অসি থেংননবা লাউথোকখিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্তবা মীওইশিংবু পুলিসনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ফারগা দিটেন তৌবা অমদি ফাইন থিহনবগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

ঙসিসু মণিপুর পুলিসনা লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোন ঙাক্তবা, য়ূমদগী মপান থোরকপদা ফেশ মাস্ক উপ্তবা, সোসল দিষ্টেন্স ঙাক্তবা অমদি মীয়াম তিনবা মফমদা লোক-তিন শীৎপা য়াওনা পুলিসনা মীওই ২৩৭ ফাদুনা দিটেন তৌখি। মখোয়শিং অদু মখা তাবা তৌদনবা ৱার্নিং পীরগা থাদোকখি। মখোয়দগী ফাইন ওইনা লুপা ৭৮,১০০ খোমগৎখি।

লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোন ঙাক্তবা মীওইশিংগী মথক্তা নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫গী মখাদা লিগেল এক্সন লৌখৎপা য়াই হায়রি।

ঙসি পুলিসনা দিটেন তৌখিবা মীওই ২৩৭ অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ৪১, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ৭৪, ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ৭, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ৮, চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ১০৭নি।

চেঙ য়েলহনখিদ্রে

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচএনএস):

লমশাং এ সীগী মনুং চনবা লুকের মনিং লৈকায়গী পুরান হৈনৌ লম্পাক্তগী কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা চেঙ য়েনবদা মীওই অমদা কে জি ৩/৩ য়েনগনি হায়বদগী চেঙ লৌবা লাকখিবশিংগা য়ানবা পুরকপা ঙমদবদগী চেঙ মখা তানা য়েনবা য়ারোই হায়না চেঙ অমত্তা য়েলহনখিদ্রে। হীরমসিগা মরী লৈননা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীদুনা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎপীয়ু হায়নসু ৱিমেন ৱেলফ্যের এসোসিএসন, লুকের মনিং লৈকায়গী সেক্রেটরি মেমচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ফ্লাইট ৫না মীওই ২৪৮ পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচ এন এস):

ষ্টেট অসিগী ৱাংমদা তোঙান তোঙানবা মফমদা পল্লগা লৈরম্বা নুপা নুপী অমদি অঙাং য়াওনা পুন্না মীওই ২৪৮ রোম ঙসি ফ্লাইট ৫ না ইম্ফাল বির টিক্রেন্দ্রজিৎ ইন্তরনেস্নেল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৯ তাবদা ইন্দিগো ৬-ঈ ২২৫১ ফ্লাইট অসিনা গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈবা মীওই ৪৭ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি। নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.২০ তাবদনা এয়র ইন্দিয়া এ আই ৭৪৩ ফ্লাইট অসিনা কোলকটা অমদি অগরটালাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৩০ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি। নুংথিলগী পুং ১.১৫ তাবদনা এয়র ইন্দিয়া এ আই ৮৮৯ ফ্লাইট অসিনা দেল্লী অমদি গুৱাহাটিদা পল্লম্বা মীওই ৬০ রোম পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি।

নুংথিল পুং ২.২৫ তাবদনা ইন্দিগো ৬-ঈ ৬৩৫৮ ফ্লাইট অসিনা কোলকটাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৬৮ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি। নুংথিল পুং ৪.৩০ তাবদনা এয়র এসিয়া আই ৫ ৭৮৮ ফ্লাইট অসিনা গুৱাহাটিদা পল্লম্বা মীওই ৪৩ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি। ঙসি ফ্লাইট মঙা অসিনা ইম্ফালদা হনখিবা মতমদা গুৱাহাটি, কোলকাটা অমদি দেল্লীনচিংবদা চৎকদবা মীওই ইম্ফালদগী ২৬১ পুদুনা ইম্ফাল থাদোকখি হায়রি।

কোভিদ ভেক্সিনেসন সেন্টর য়েংশিনখিবগা লোয়ননা তেংবাঙ পোৎলমশিং খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচএনএস):

বি জে পিগী নেসনল প্রোগ্রাম ওইনা পাঙথোক্লিবা সেভা হি সংঘথনগী মখাদা লোক সভাগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জন অমদি এম এস এম ঈগী নেসনল বোর্দ মেম্বর রোবিন ব্লেকিনা ঙসি লংথবাল এ সীগী মনুং চনবা লংথবাল কুঞ্জ ময়াই লৈকায়দা লৈবা প্রাইমারী হেল্থ সব-সেন্টরদা হাংদোক্লিবা কোভিদ ভেক্সিনেসন সেন্টর য়েংশিনখিবগা লোয়ননা এ সী অসিগী কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা ইমুংশিংগীমক তেংবাঙ পোৎলমশিং খুৎশিন্নখ্রে।

লংথবাল এ সীগী মনুং চনবা হৈরাঙ্গোইথোং, নাওরেম লৈকায়, লিৱা লম্বী, শিংজমৈ মখা সোরোখাইবম লৈকায়গী কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা লৈরিবা ইমুংশিংগীদমক লৈকায়গী ক্লব অমদি য়ুমশিংদা হেন্দ সেনিটাইজর, ফেস মাস্ক য়াওনা নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা চান-থক্লবগী পোৎলমশিং তেংবাঙ ওইনা খুৎশিন্নখি।

এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা ফোঙদোকখিবদা, মীওইবগী মমল য়াম্লবা পুন্সি অসি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎতগী ঙাকথোক্লনবা মীয়াম্না কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু। লোয়ননা লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

তুংদা লংথবাল কুঞ্জা ময়াই লৈকায়দা লৈবা প্রাইমারী হেল্থ সব-সেন্টরদা হাংলিবা কোভিদ ভেক্সিনেসন তৌবগী থবকশিং য়েংশিনখিবগা লোয়ননা সেন্টর অসিগী এম ও ইন-চার্জদা ফেস মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবসু খুৎশিন্নখি।

লূপ কয়ানা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচএনএস):

মৈরা পায়বী ৱেলফ্যের এসোসিএসন কংলৈপাক (মেপৱার্ক) কী জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা মতম শাংনা মীয়ামগী থৌদোক ৱাথোক কয়াদা মাঙজিল থানা অমদি ইচঙ থৌনা শরুক য়ারকখিবী মাক্লং ময়াই লৈকায়দগী তোংব্রম প্রেমবালানা মালেমগী লাইচৎ অমা ওইরিবা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মতম খরা রিমসতা লায়েংলম্লবা মতুংদা হৌখিবা মে ২৪দা লৈখিদবদা পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুর, ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো), ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভলন্টরি এসোসিএসন (অমৱোভা) অমসুং কম্মিটি ওন হ্যুমেন রাইটস (কোহর) গী লুচিংবশিংনা কোভিদ- ১৯গী এস ও পিশিং ঙাক্লা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা ঙসি অমুকোগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে হায়না লূপশিং অসিনা পুন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অমুকোগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ নন্দো লুৱাং, পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এল মেমচৌবী, ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভলন্টরি এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি কে এস ঐচ সুজাতা অমসুং কোহরগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি জি দয়ানন্দ শর্ম্মনা পুন্না খুৎয়েক পীরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লৈখিদ্রবী তোংব্রম প্রেমবালা (হৈয়াই) অসি লৈবাক মীয়ামগী ওইবা থবক থৌরমশিং থৱায় য়াওনা শরুক য়ারকখিবী লুচিংবী অমনি। মহাক মীয়ামগী থবক তৌবা পামজবী অমা ওইনা হৌরকপগা লোয়ননা মীয়ামগী থবক কয়া তৌনবগীদমক মৈরা পায়বীগী থবক থৌরম কয়াদা য়াওরকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী পুন্সিগী অরোইবা শরুক ফাওবা ফিদম লৈবী মৈরা পায়বী অমা ওইখি।

মেপৱার্ককী জেনরেল সেক্রেটরি তোংব্রম প্রেমবালা (হৈয়াই)না লৈখিদবা অসি মতম-মতমগী ওইনা মীয়াম্না অমদি মৈরা পায়বীশিংনা চঙশিল্লক্কদবা মীয়ামগী য়াইফগদবা থবকশিং অদুদা খরমখৈদি অৱাৎপা অহোবা লৈহৌরগনি। মরম অদুনা মহাক্লা লৈখিদবসি মণিপুর মীয়ামগী মাঙজবা অমনি। মহাক্লা লৈখিদবদা মহাক্কী ইমুং-মনুং, মরী-মতা, খঙন-চান্নবশিংনা নংহৌরিবা অৱাবদা পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুর, অমুকো, অমৱোভা অমসুং কোহরনা শরুক য়াজবগা লোয়ননা তোংব্রম প্রেমবালাগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈবা ওইরসনু। মৈরা পায়বী লুচিংবী অসিগী মথৌ মঙম পাঙথোকপদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা ময়াম্না মপুং ফানা য়াওবা ঙম্লোইদবা অসিগীসু মীয়ামদা হেন্না নুংঙাইতবা অমা ওইহৌরে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।